# মাওদা শীনখিবা য়াম্না নুংঙাইখিবা ইন্টর স্কুল দিষ্ট্রিক্টকী টুর্নামেন্ট অমা ঙসি ফাওবা কাউবা ঙমদনা নীংশিংলি



লাইশ্রম ব্রোজেন্দ্রো
*টি টি কোচ, সাই, এস টি সি অসাম*

*(ঙরাংগী মখা)*

যুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট হৌদোরকপা মতমদা মণিপুরগী হান্না শান্ন-খোৎনবদা মশক নাইরকপা সিনিয়র প্লেয়র অহল-লমন ময়াম অমসু কোচ ওইদুনা লৈবীরম্মী। ঐখোয়সিনা দিপার্টমেন্ট চল্লাইবা হৌরক্লবা মতুংদা লৌরকখিবা কাংবুনি। মতিক চারবা স্পোর্টসকী মতাংদা মাংজেননা ট্রেনিং চৎপীরক্লবা ওজাশিংনা মতমগা চান্নবা কাংলোন কয়া শেমদুনা মণিপুরগী স্পোর্টসসি হেন্না চাউখৎনবসু কন্না হোৎনবীরমখি। অদুবু, মরক্তুদা পৱর তান্নবা অদুগুম্বা খরবুদি থোকপা উখি। ওজা ঐচ রাধাচরন (ওজা আর সি), ওজা যুগেশ্বর, ওজা লাক্ষসনা, ওজা আর কেচিত্রজিৎ, ওজা শ্যামশুন্দর, ওজা নিংথৌজম ব্রজমনি, জিম্নাষ্টিক্সকী ওজা বিজেন, চিংঙামখাদগী স্বিমিংগী ওজা বিরেন.... মণিপুরগী স্পোর্টস মশক থোক্লবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌবীরমখিবা মীওইঙাক্তনি।

অমরোমদা, ঐনা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরদা কোচ ওইনা লৈজরকখিবসি কুমজা ১৯৮৪গী জুলাই ২৭তগীনা ১৯৮৭কী সেপ্টেম্বর ২২ ফাওবনি। হায়রিবা মতমসিদদি স্পোর্টস কাউন্সিলসু থুপচিনখ্রে। লোয়নমক থুপচিনখ্রগা, থাংজম ওজা মোধুনা বাবুপাড়াদা য়াসকী দিরেক্টর ওইনা ওফিস চল্লাইরে। খুমন লম্পাক্তসু শরুক খরদি লৈহৌখি। মতমসিদা টিটিগী সিনিয়র কোচ ওইনা লৈবীরম্বা ওজা আর কে চিত্রাজিৎসু উখ্রুলদা পোষ্টিং থাখ্রে। অদুগা, ঐহাক্কী মরু ওইবা ইথৌসিনা টুর্নামেন্ট মতম চানা তৌবা, ইন্টর স্কুলগী টুর্নামেন্ট কন্দক্ট তৌবগা লোয়ননা টি টিগী টিম পুদুনা চৎপসি ওইরকখি। টুর্নামেন্ট তৌবদা খুদোংচাগদবা মফম থিবসু ঐগী ইথৌ ওইনা লৈরকখি। কুমজা ১৯৮৪সিদা ইন্টর স্কুলগী টেবল টেনিস টুর্নামেন্টসি এম এল এস লো কোলেজদা তৌরকখি। অদুগা স্কুলগী মিটশিং অসিদা 'ওটম মিট' হায়বা অমা 'ৱিন্টর মিট' হায়বা অমা অনী থোক্লা লৈ। ওটম মিটতা মরু ওইনা চল্লিবা মশান্নশিংদি টেবল টেনিস, খো-খো, কবাদি.... অসিনচিংবনি। হায়রিবা মতমশিং অসি কায়দনা টুর্নামেন্ট শিন্নবা কন্না হোৎনজরকখি। টেবল টেনিসকী টুর্নামেন্ট অসি সেকেন্দ এম আরগী হোলদসু পাঙথোরকখি। খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর হোল শাগৎলকপা মতমদসু মতম মতমগী খুদোংচাবা য়েংলগা তৌরকখি।





## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## টেবল টেনিসতা মীৎয়েং অমা

টি টি টুর্নামেন্ট শিনবগী নুংঙাইবা ৱারী কয়াসু দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী শিনবদা থেংনজরকখি। ঐগী ওইনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টতা শীনখিবা নুংঙাইবা ৱারী অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মাওগী পুদুনামৈদা শিনখিবা দিষ্ট্রিক্টকী টুর্নামেন্ট অমা ঙসি ফাওবা নীংশিংলি, চীংদা তোইনা চৎপা সিনিয়র ওজাশিংনা লিবিবা ৱারীদগী ঐসু অমুক্তংদি দিষ্ট্রিক্ট টুর্নামেন্ট শিনবা য়াওজগে হায়দুনা কুমজা১৯৮৫সিদা মাঊজী পুদুনামৈদা চৎচখি। ফুটবোলগী, খো-খোগী ওজাশিংদি ঐঙোন্দগী হান্না চৎখ্রে। স্কুল য়ৌবগী লম্বী চাওরাক্লা তাকপীরম্বদু খঙলগা ঐসু এম এস টি বস তোঙদুনা মাও তানা ইথন্তা চৎখি। মাও পুলিস ষ্টেসন্দা চঙলগা ঐগী হায়জিনফম লম্বেলদু তাকহল্লগা ইথন্তা এয়রবেক মচা অমা য়াল্লগা লম্বীদুদা তপ্পা তপ্পা চঙশিল্লকখি। লম্বীদা খেঙনবা নুপীমচা খরদা স্পোর্টসকী কন্দক্ট তৌবা লাকপা টেবল টেনিসকী কোচনি হায়না শক্তাক্লুবদা ঐগী বেকতু মখোয়না পায়বীরগা টুর্নামেন্ট তৌগদৌরিবা মফমদু তানা থীনবীরমখি। অহানবা ওইনা লাকপা ওইদুনা ইঙাও ঙাওগদ্রা খল্লম্বদু ওন্থোক্লা নুংঙাইনা য়ৌরকখি। মফমদু য়ৌরকপগা ফুটবোলগী, খো-খোগী ওজাশিংসু লোয়না থেঙনখি। মখোয়গীদি গ্রাউন্দদা চাইগদবা শুনুগী মহুৎতা ৱাইনা ওইনা চাইরম্মী হায়দুনা ঙুরুং ঙুরুং তৌদুনা লৈনরম্মী। অদুবু ঐগীদি হোল অমদা টেবল টেনিসকী বোর্দ ফজনা খিল্লগা লৈরম্বনা টুর্নামেন্টতু নুংঙাইনা চথুবা য়াখি। চীংগী অরাপ-অরাপ্পা মফমদগী দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস টুর্নামেন্টতু (ইন্টর-স্কুল) য়েংবা মী ময়াম অমসু লাকখি। ফুটবোল য়েংবদা তিল্লিবা মীয়ামসি হায়ফেৎ য়াম্মী। চীংগী লমদসু শান্ন-খোৎনবা কয়াম পাম্বগে হায়বসিসু মাউগী খোঙচৎতুদা ময়েক শেংনা উরকখি। স্কুলশিংদগী টিম পুদুনা লাক্লিবা ওজাশিং অদুসুমবুক-মপাউলোয়না ফৈ। টুর্নামেন্টতু মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অঙম-অঙম্বা মতেং লোইনা পাঙনখি। অদুগা ঐনা খ্বাইদগী ঙক্লিবদি শান্নবগী ঙাইহাক গেপ লৈবা মরক্তুদা ঐখোয়গী চান-থক্লবা চাক, য়েঙ্গাংসি মওং তানা ফজ-ফজনা শীল্লগা ঐখোয়গী লৈফমদা লৈরমগনি। কনানা কদাইদা থোঙলিবনো অদুগুম্বসু ঐখোয়খঙদে। অয়ুকঙন্তা ঐখোয়না য়াহৌরকপা মতমসিদসু ঐখোয়গী মাই-মীৎ তানবা, ঈরু-মাইথজনবা ঈশিং অশাবগসি ফজ-ফজনা তাউয়েল-সাপোন য়াওনা থম্লমগনি। মদু লোইবগা মোর্নিং ব্রেক-ফর্স্ত, চা লোয়না লৈরমগনি। মদুগী খুনুংঙাইদুদি হৌজিক ফাওবা নীংশিংলি। *-মথং-মথং-*

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৭

১) কুমজা ১৯৭১-৭২দা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী চীফ পেট্রোন (Chief Patron) ওইখিবা অদুগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৩০ (1930)গী মতমদা SHEFFIED SHIELD গী টুর্নামেন্টতা Donald Bradmanনা শরুক য়াবদা নোংমগী মেচ ফি (Match Fee) কয়ানো?

৩) ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াদা ক্রিকেট টেষ্ট শান্নবা লাকপদা শান্নরোয়শিং অদুগী মরক্তা স্কুল ওজা মরি, ঙা লল্লোনবা অমা, এদভরটাইজিং মেনেজর অমা, সেলসমেন অনী, উহৈ-ৱাহৈ থাদুনা হৈকোল শেম্বা নুপা অমা য়াওরকখি। করম্বা চহীদা টিম অদু ইন্দিয়াদা লাকখিবগে?

৪) অঙাং লায়েংবগী অফাওবা ডাক্তর অমা ওইরকখিবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমনা কুমজা ১৯৪৫দা অঙাংশিংবু চেকশিন থৌরাং লৌনবা লাইরিক অমা ইদুনা কোপি মিল্লিয়ন ২৫ হেন্না য়োনখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ৭শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা আর কে এপোলোসনানা পোইন্ট ৬ ফংদুনা মাংজিল থারগা চৎলি



ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস)ঃ
মণিপুর চেছ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা জুবেনাইল ক্লব তেরা সাপম লৈরক্লা শীন্দুনা রামনরায়ন সাষ্ট্রি মেমোরিএল ট্রষ্টনা স্পোন্সর তৌদুনাথাঅসিগী২৩দগীশান্নরকপা ৪ শুবা খুরাইজম রামনরায়ন সাষ্ট্রি মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৭ শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা আর কে এপোলোসনানা পোইন্ট ৬ ফংদুনা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী টেবল নম্বর ১দা আর কে এপোলোসনা অমসুং কে পোইরৈখোম্বা লম্বা তৌনখি। গেম অদু দ্রো চৎতুনা পোইন্ট তঙ্খাই য়েন্নবদগী ৬ শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা ৫.৫ ফংখিবা আর কে এপোলোসনানা পোইন্ট ৬ ফংলগা মাংজিল থাবা ঙম্লি।

পনবা য়াই, ৬ শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপা অদুদা এপোলোসনাগা লোয়ননা পোইন্ট ৫.৫ ফংমিন্নখিবা জি ইনাওনা ঙসি টেবল নম্বর ২দা ঐচ সোমোকান্তগা লম্বা তৌনবদা সোমোকান্তনা মায় পাকখিবদগী জি ইনাওগী টুর্নামেন্ট অসিদা মাংজিল থারম্বা য়াবগী খুদোংচাবা মাঙজখি।

টেবল নম্বর ৩দা পোইন্ট ৫-৫ ফংমিন্নখিবা এ চক্রিতোম্বী অমসুং ই সসি লম্বা তৌনবদা ই সসিনা মায় পাকপা ঙমখি। টেবল নম্বর ৪দা টি সোমোরেন্দ্রোনা ঐচ জেকিবু মায়থীবা পীখি। লোয়ননা টেবল নম্বর ৫তা এস ধনচন্দ্রনা আর কে ভোগেনবু থোইবা ঙমখি।

# নোর্ৱেবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ইংলেন্দ ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী সেমী ফাইনেল য়ৌবা অহানবা টিম ওইখ্রে



লি হর্ভে, জুন ২৮(এজেন্সী)ঃ
ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা সিটিশিংদা পাঙথোক্লিবা ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৮লক শুবা এদিসনগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা নোর্ৱেবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ইংলেন্দগী টিম ৱর্ল্ড কপ অসিগী সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখ্রে।

ফ্রান্সকী সিটি লি হার্ভেদা লৈবা ওসিনে ফুটবোল ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা ৱর্ল্ড কপ অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইংলেন্দ অমসুং নোর্ৱেগী টিম লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী হৌরকপা য়াম্না ঙন্না ইংলেন্দগী মায়কৈদগী চত্থরকপা এটেক অমদা লুসিয়া বোর্বটা ব্রোঞ্জনা পীখিবা পাস অমা টিমমেট জিল লুই স্কোটনা পাঞ্জল চন্দুনা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ৱর্ল্ড কপ অসিগী সেমী ফাইনেল য়ৌনবগী লম্বেল শেম্বা হৌখি। ওসিনে ফুটবোল ষ্টদিয়ম অদুদা তিনখিবা ইংলিস মচা পুম্নমক মখোয়না ষ্টদিয়ম অদুদা লাকখিবগী মরম অদু ঙন্না ৱহন্থোক ফংবা হৌখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা নোর্ৱেগী শান্নরোয়শিং য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইংলেন্দগী হাফতা বোল তোইনা পুশিন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংননবা শান্নবা হৌরকখি। ইংলেন্দগী দিফেন্দরশিং অদুসু মখোয়না চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকখিবদনবা চেকশিন্না শান্নবা ঙমখিবনা মেচ অদুগী অহানবা হাফকী মখা চত্থরকপা পুংখাই হেনবা ফাওবদা স্কোটকী পাঞ্জল অদু লেঙদনা লৈখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোয়গদবা মিনট ৫দা ঙাইরবা মতমদা চুংশিন্নবা হেনখিবা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী নৌনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা এন পারিসনা বোল অমা ফংখিবা অদু টিমমেট ইলেন টোনি হ্বাইটতা খাইদোরকখি। তাঞ্জা অদু হ্বাইটনা অশোয়বা য়াওহন্দনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু মেচকী ৪০শুবা মিনটতা চন্দুনা পাঞ্জল হন্দোকপগী অচৌবা ৱাখল অমগা লোয়ননা শান্নরকখিবা নোর্ৱেগী শান্নরোয়শিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরগা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল অদুগী অহানবা হাফ লোয়শিল্লকপদা ইংলেন্দনা মখোয়বু পাঞ্জল২-০দামাংজিলথাদুনা লৈখি।


অনীশুবা হাফ অদুদা নোর্ৱেগী মিটগী কোচ অদুনা মহাক্কী শান্নরোয়শিংদা অনৌবা লাল্লোংগা লোয়ননা শোত্থখিবা পাঞ্জল অনী হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না শাফু পীখি। নাকল অমরোমদা ইংলেন্দগী কাউন্টরপার্ট অদুনসু মহাক্কী শান্নরোয়শিংনদা মখোয়না হেন্দুনা লৈরিবা পাঞ্জল অনী অদু মায়োক্লবা টিম্না হন্দোকখিদনবা অমদি মখাতানা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা পাউটাক পীখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মতম ইকুই কুইদ্রিঙৈ মেচকী ৫৭শুবা মিনটতা ইংলেন্গী মায়কৈদগী বি মিদনা ফংখিবা বোল অমা য়াম্না মতাং মতম চানা খাইদোরকপদা টিমমেট লুসিয়া রোবর্টা ব্রোঞ্জনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা হান্না পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈরম্বা অদু স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল ৩-০দা লৈহনবা ঙমখি।

পাঞ্জল হন্দোক্লবগী লাল্লোং পুম্নমক অরেম্বা তারক্লবদা নোর্ৱেগী শান্নরোয়শিং মখাতানা থৌনা হন্দনা বোল পুশিন্নবা হোৎনরকখি। অদুবা মখোয়গী এটেকশিং অদু ইংলেন্দগী মায়কৈদগী দিফেন্দরশিং অদুনা মতাং মতম চানা বোল ঙাকথোকপা ঙমখিবদগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ অদুগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু ইংলেন্দনা ৩-০দা থোইদুনা মথং থাগী ২দা শান্নগদবা অহানবা সেমীফাইনেলদা ঙসি অথেংবদা ৱর্ল্ড কপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাকফ্রান্স অমসুং মমাংৱর্ল্ডকপকী চেম্পিয়ন য়ু এস এ অনীগী অথোইবা অদুগা লম্বা তৌনরগনি।

# ইষ্টবোর্ন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জর্মনিগী কর্বর অমসুং জেক রিপব্লিক্কী প্লিসকোভাগা শান্নরগনি





ইষ্টবোর্ন, জুন ২৮ (এজেন্সী)ঃ
য়ুনাইটেদ কিংদমগী ইষ্টবোর্ন সিটিদা লৈবা দেবোনসায়র পার্কতা পাঙথোক্লিবা ইষ্টবোর্ন ইন্টর্নেসনল টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা জর্মনিগী এঞ্জেলি কর্বর অমসুং জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভানা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেচতা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় নেদর্লেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু য়াম্না হেনবা মওংদা ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীখি।

অহানবা সেট অদু প্লিসকোভানা কিকি বর্টেন্সকী সার্ভিস গেম ৩ ব্রেক তৌদুনা ৬-১দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা সেটতা কিকি বের্টেন্সকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা গেম অনী থোইবা ঙম্লবসু মহাক্কী সার্ভিস গেম ২ জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভানা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬-২দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌখি।

ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভানা লম্বা তৌগদৌরিবী শান্নরোয় অদু জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরননি। কর্বরনা ইষ্টবোর্ন ইষ্টর্নেসনল টেনিস টুর্নামেন্ট অদুগী সেমি ফাইনেলদা টর্কিগী শান্নরোয় ওন্স জেবোরগা লম্বা তৌগদবা অদুদা জেবোর মশা শোকপদগী সেমি ফাইনেল মেচ অদু শান্নবা ঙমখিদবদগী কর্বরনা ৱাক ওভর ফংলগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাংলুপ্তা সেমি ফাইনেল লম্বা তৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি বৃটেনগী কে এদমুন অমসুং য়ু এসকী টি ফ্রিটস লোয়ননা ইটালিগী ফাবিয়ানো অমসুং য়ু এসকী সাম ক্বেরেনি।

# পেনাল্টি কিকতা য়ুম্বু ব্রাজিলনা পেরাগ্বেবু ৪-৩দা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



পোর্টো এলেগ্রে, জুন২৮ (এজেন্সী)ঃ
ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৪দগী হৌখিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা য়ুম্বু লৈবাক অদুনা পেরাগ্বেবু পেনাল্টি কিকতা পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না গ্রুপ অহুম খাইদোক্তুনা লম্বা তৌনখিবা অদুদা য়ুম্বু লৈবাক ওইখিবা ব্রাজিলনা গ্রুপ 'এ'গী লিগ রাউন্দ লোইশিল্লকপদা মকোক ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

পনবা য়াবদি, গ্রুপ অহুম অসিদগী লিগ মেচশিং লোইশিল্লকপদা মকোক থোংবা টিম ২/২ খন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টিম ৬ ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। অদুগা গ্রুপ ৩ অসিদগী খ্বাইদগী ফবা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবা টিম অনী খনগৎলগা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক্তা ক্বালিফাই ওইহনখি।

পেরাগ্বেগী টিম গ্রুপ 'বি'গী লিগ মেচতা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা লৈহৌরবসু অতোপ্পা গ্রুপ অমগী টিমদগী হেন্না ফজবা ঙমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা পেরুগী টিমসু গ্রুপ মেচতা ৩শুবা তারবসু টিম অদুনা গ্রুপ ৩গী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা ঙমদুনা মখোয়সু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙরাং ব্রাজিলগী সিটি পোর্টো এলেগ্রেদা লৈবা গ্রিমিয়ো ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুম্বু ব্রাজিল অমসুং পরাগ্বে লম্বা তৌনবদা য়াম্না লম্বা মান্নবা মরম্না মেচকী অহানবা হাফ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ অদুসু পরাগ্বেগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না অদুদা ব্রাজিলগী শান্নরোয়শিং হেনঞ্জিনবা ঙমখিদবদগী মেচকী অপীবা মিনট ৯০ অসি লোইশিল্লবা ফাওবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা মশান্না অসিগী কাংলোনগী মতুং ইন্না পুংখাই অমগী এক্সট্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকখি।


এক্সট্রা টাইম অদুদসু ব্রাজিল অমসুং পরাগ্বেগী শান্নরোয়শিং অমনা অমবু তকশিন্নবা ঙমদনা মিনট ১৫ অনীগী হাফ অনীদুসু পাঞ্জল লৈনবা ঙমখিদবদগী পেনাল্টি কিকতা লম্বা ঙমথোক্লবগী তাঞ্জা লাকখি।

পেনাল্টি কিক অদু ব্রাজিলগী মায়কৈদগী অহানবা ওইনা ৱিল্লিয়ননা কাউবদা গোল ওইখি। অদুবু পরাগ্বেগী মায়কৈদগী অহানবা পেনাল্টি কিক কাউখিবা গোমেজগী সোট অদ পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে।

পেনাল্টি কিক অদুগী অনীশুবা রাউন্দদা ব্রাজিলগী মার্কিনোস অমসুং পরাগ্বেগী অলমিরোন পাঞ্জল চন্নখি। অহমশুবা রাউন্দদা ব্রাজিলগী কোতিনা অমসুং পরাগ্বেগী ভালদেজ পাঞ্জল চনখি। অদুবু মরিশুবা রাউন্দদা ব্রাজিলগী ফর্মিনো টিম অদুগী মায়কৈদগী অহানবা ওইনা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। তাঞ্জা অদুদা পরাগ্বেগী আর রোজাস পাঞ্জল চনখি।

পাঞ্জল ৩-৩দা লৈনরবা মতুংদা ব্রাজিলগী গ্রেবিএল জিজসনা পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রবা মতুং পরাগ্বেগী গোঞ্জালেসনা পাঞ্জল চলহৌদবদগী ব্রাজিলনা ৪-৩দা থোইবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

# ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু মায়থীবা পীদুনা এসিয়ন টিম স্নুকর চেম্পিয়নশিপকী সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ব্রোঞ্জ শোইদনা ফংলগনি







দোহা, জুন ২৮ (এজেন্সী)ঃ
কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোকপা এসিয়ন টিম স্নুকর চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবদগী য়ামদ্রবদা ব্রোঞ্জ মেদল অমদি শোইদনা ফংলগনি।

ইন্দিয়াগী টিম অদুগী মায়কৈদগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ২১রক ওইখ্রবা পঙ্কস অদবানি অমসুং লক্ষ্মন রাৱটনা টিম অদুগী মপুং ওইবা শান্নরোয় ওইখি। অদুগা অদিত্যা মেহতানা অহুমশুবা শান্নরোয় ওইখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী টিম অসি গ্রুপ ষ্টেজতা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবগীদমক্তা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ শরুক য়াদনা ক্বার্টর ফাইনেলদা দাইরেক্ট শান্নবা ঙমখি। নাকল অমরোমদা পাকিস্তানগী টিমনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুম্বু কটারবু মেচ ৩-১দা থোইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পঙ্কজনা পাকিস্তানগী বিলাসকা শান্নবদা মায় পাকখি। অনীশুবা সিঙ্গলসতা লক্ষ্মননা ইগবালবু থোইদুনা দবলসতা ইন্দিয়ানা অমুক থোইবা ঙমখিবদগী মেচ ৫গী টাই অদুদা ইন্দিয়ানা মেচ ৩-০দা মায় পাক্তুনা ম্যান্মারগা সেমি ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।